ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ৩০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫১শুবা মশীং

## প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংনবা থৌরাং

### পোল্যুসন থোকহন্দনবা অতৈ হীরমদসু মীৎয়েং চঙফম থোকই

লৈবাক্কী মপানি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমীৎ, ওক্টোবর ২দগী হৌনা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম তরুক শীজিন্নবা মপুং ফানা থিংগদৌরি। কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম পুম্নমক থিংজিন্দুনা ইন্দিয়াবু প্লাষ্টিক শীজিন্নদবা লমদম ওইহনবগী পান্দম থল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহানবা তাক্কন্নী ওইনা ওক্টোবর ২দা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম তরুক থিংজিননবা লৌখৎলকপনি। মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা অথিংবা থমগদৌরিবা পোৎলমশিং অদুদি প্লাষ্টিক্কী বেগ, প্লাষ্টিক্কী কপ, প্লাষ্টিক্কী প্লেট, প্লাষ্টিক্কী অপীকপা বোটল, প্লাষ্টিক্কী ষ্ট্রো অমসুং মখল খরগী সচেটনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা শাবা, য়োনবা অমসুং শীজিন্নবা য়াররোই। প্লাষ্টিক্কী পোৎলম পুম্নমক থিংনবা মতাংদা অহানবা খোঙথাং লৌখৎলিন্নরগদি হায়না ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমীৎকী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রবনি। নুমীৎতুদা ন্যু দিল্লিগী রেদ ফোর্টতা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীওইবনা শীজিন্নবা লোইরগা লংথোরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা ঈশিংদা থৌরাং ওইবা পানবা পুম্নমক্তা অকায়বা থোকহনবগা লোয়নননা মীওইবগী চাঙ্গাক্তসু য়াওরকপদগী হকশেলদা চাউনা শীনবক্লে হায়রি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননসু কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোক্লরিবা প্লাষ্টিক্কী ষ্ট্রো, ফোর্ক, নাইফ অমদি কটন বদনচিংবা মপুং ফানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। চাইনাগী ওইনসু লল্লোন-ইতিক্কী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা সংহাইদা প্লাষ্টিক্কা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা থোকহল্লক্লিবা অমাঙ-অতাশিং য়েংলগা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংনবা থৌরাং লৌখৎপা লেপ্লে। চহী খুদিংগী ইন্দিয়াদা হৌজিক প্লাষ্টিক্কী পোৎলম টন মিলিয়ন ১৪ রোম শীজিন্নরি। মীওইবনা নুমীৎ খুদিংগী থকপা-চাবদা প্লাষ্টিক্কী বোটল অমসুং প্লেটনচিংবা শীজিন্নবদগী হেন্দোক্তুনা ওনলাইনদা পোৎ-চৈ য়োল্লিবা এমাজোন অমদি ফ্লিপকার্টনচিংবা ঈ-কমর্স কম্পেনিশিংনা লাইরিক, হীদাক-লাংথক অমসুং কোসমেটিক্কী পোৎলমশিং প্লাষ্টিক্কা য়োল্লগা থাদোক-থাজিন তৌরি।

প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী কান্নবা কয়া লৈরগসু মীওইবনা হীরম খূদিংমক্তা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা দিস্পোজেবল প্লাষ্টিক শীজিন্নরকপা মরম্না অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্লে। মালেমগী মফম খূদিংমক্তা হৌজিক প্লাষ্টিক্কী বোট্টলদা হাল্লগা য়োল্লিবা ঈশিং পাক-শন্না শীজিন্নরি। মিনিট খূদিংগী বোট্টল মিলিয়ন ১ লৈবগা লোয়ননা চহী খূদিংগী প্লাষ্টিক বেগ ট্রিলিয়ন ৫ রোম শীজিন্নরি। প্লাষ্টিক্কী পোৎলম অয়াম্বা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোক্কদবা মওংদা শেম-শারগা পুথোরকপনি। মদুনা মরম ওইরগা চহী খূদিংগী প্লাষ্টিক ৱেষ্ট টন মিলিয়ন ৩০০ লোম মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চাইদুনা লৈরি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মালেমগী অপূনবা মীশীংগী অৱাম্বগা প্লাষ্টিক ৱেষ্টকী অৱাম্বগা হাইরপ মান্নবগী ফীভমদা লাক্লে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি। প্লাষ্টিক্কী পোৎলম অয়াম্বা থাউদগী শুংবা কেমিকেলশিং, নেচরেল গ্যাস অমসুং কোইলা শীজিন্নরগা শেম্লকপনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি অসুম্মক মখা তানা চথদুনা লৈরবদি কুমজা ২০৫০গী অদুৱাইদা মালেমগী অপূনবা থাউগী শরুক চাদা ২০ লোম প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিনা শীজিন্নখ্রগনি। মীওইবনা শীজিন্নবা লোইরগা লংথোরকপা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট পূম্নমক লৈবাক-লৈহাও নৎত্রগা পাৎ-তুরেলদা তিনখি। অয়াম্বা শরুক্তি তুরেলদা তাউথখ্রগা সমুদ্রদা তিনখি। লৈবাক লৈহাওদবু ওইরবসু, তুরেলদবু ওইরবসু নৎত্রগা সমুদ্রদবু ওইরবসু প্লাষ্টিক ৱেষ্ট পূম্নমক চহী চা কয়া তুম্বা ঙমদনা অদুম্মক লৈ। অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম অয়াম্বা সমুদ্রদা তাউথরকপা মরম্না কুমজা ২০৫০গী অদুৱাইদা সমুদ্রগী ঙা মশীংদগী প্লাষ্টিক ৱেষ্টনা মশীং হেনগৎলকপা য়ানা লৈরে। হন্দক্তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা প্লাষ্টিক্কা এটমোস্ফেয়রদা গ্রীনহাউস গ্যাসকী চাং হেনগৎহল্লগনি হায়রি। কুমজা ২০৩০দদি কার্বোন দাইওক্সাইদ টন বিলিয়ন ১.৩৪ গা মান্নবা মওংদা প্লাষ্টিকনা এটমোস্ফেয়রদা গ্রীনহাউস গ্যাস হেনগৎহল্লগনি। শীজিন্নবা লোইরগা লংথোরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং লৈবাক-লৈহাউ অমসুং লৈনুংগী ঈশিংদা তিনখ্রগা থক্লবা তোতিগী ঈশিংদা ফাওবা য়াওরক্লে। কুমজা ২০১৭ তা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা তোতিগী ঈশিং সেম্পলশিং খোমজিল্লগা চাংয়েং তৌবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা প্লাষ্টিক পোল্যুটেন্ট য়াওরম্বা থেংনখি। মদুনা মরম ওইরগা মীওইবদা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লক্লে হায়রি। পূম্নমক অসিগী য়েংলুরগা ইন্দিয়াদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং থিংনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকফম থোকই। অদুম ওইনমক প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংবগা ইরোয়ননা পোল্যুসন থোকহন্দনবা অতৈ হীরমশিংদসু মীৎয়েং চঙফম থোকই।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## বির টিকেন্দ্রজিৎ হায়বগী মহুত্তা অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট হায়না মীং ওনবনা হেন্না ফগদ্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

থা অসিগী ২৬কী মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম্না ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টপু 'বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট' হায়না মমিং ওন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। লৈঙাক্কী ওইবা ৱারেপ অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি হায়নীংই। অদুবু মতাং অসিদা লাকচনীংলিবা ৱাফমদি এয়রপোর্ট অসিগী মমিং ওনবা মতমদা 'বির' হায়বা অসিগী মহুত্তা মফম অসিগী লোল 'অথৌবা' হায়না ওনবীদুনা 'অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট' হায়না মমিং ওল্লগদি হেন্না ফজগদ্রা খঞ্জে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক অসিগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - হাওবম জয়কুমার*
*জিরিবাম*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ অসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরনি। নীংশিংগদবা ময়ামগী মনুংদা 'ময়াংখাং' দা মেলভিন সাহেবপু হাৎখিবা চিরাই নাগাসু অমনি।
(ক) 'ময়াংখাং' কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো?
(খ) ময়াংখাং অসি মতমদুদা করম্বা নাগা ত্রাইবকী সব-দিবিজন্নো?

২। "জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানতবু নত্তে, হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থমোয়নি।" ৱাফমসি মহাকবিনা হায়রম্বনি। মাগী করম্বা লাইরিক্তা হায়রম্বনো?

৩। "নহাকপু নাউশুম ঈশৈ/শক্লা শক্লা ঐনা/...শুম্লক্লিবা করম্না নহাক্লা ঐবু।" ৱাহৈশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অমম্বা মপৈ মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবী অমনা 'মঙগী মচুশিং' কৌবা লাইরিক্তুগী শৈরেং অমদা হায়রিবনি। অইবীদু কনানো?

৫। "মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙায়রে/পাঙ্গল য়াওদ্রে মীপাল তাংলে/চহী তৎলে খোংবা ঙমদ্রে।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহৈরোয় লূপশিং, সেনিয়র সিটিজন লূপশিংদা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তং

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্লিবসিগী মরুওইবা মরম অমদি শেন্থোক লৈবা থবক ফংনবনি। অতৈ মরম ময়াম অমসু লৈতবদি নত্তে। অদুবু মরুওইবা মরম অমদি তোলোপ চাবা থবক তৌনবনি। শেল য়াওদনা মীওইবসি মরেক মহাও য়াওদনা পুন্সি অসি হিংবা য়াদে। মী খুদিংমক মরেক মহাও য়াওনা পুন্সি অসি হিংবা পাম্মী। মীওই কয়া অমা মীয়াম তিনবা মফমদা শেল নিদুনা হিংনবা হোৎনরিবসিনা তাকপদি শেল হায়বসি তাইবঙ মীওইবনা হিংবদা অসুক্কী মতিক মথৌ তাখ্রে হায়বদুনি। লমদম অসিদা থবক ফংবগী চাং অসি ৱাংনা লৈরিবরা নৎত্রগা চাং য়াম্না নেম্না লৈরিবরা? হায়নবা অমা লৈ মদুদি থবক তৌবা হায়রগদি লমদমসিগী মীনা খঙনরিবসি গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক অসিবুনি। অতৈ থবক্তি থবক তৌবা হায়না লৌনদে অদুগা খনবসু খন্নদে। অমরোমদা গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক নত্তবা অতৈ শেন্থোক লৈবা লৈব্রা লমদমসিদা হায়না হংবদা মদুগী পাউখুম পীবা খরা লুনা থোক্কনি হায়নীংই। পাউখুম অসি লাইলুনি। শেন্থোক্তি লৈবা অদুবু হৈক্রু মনাদা য়োম্বা থাগী তোলোপ পীবা প্রাইভেটকী থবক লৈতবদি নত্তে লমদমসিদা। মদু কনানসু পাম্নদে। কনানসু মদুবু থবকনি হায়না লৌনদে। মদুগী থবক্তু তৌরগা পুন্সি অসি হিংগনি হায়বা থাজনদে। মীগী মমাঙদসু মদুগুম্বা থবক্তু তৌরি হায়বফাওবা ইকায়বদগী হায়নীংদে, খঙহন্নীংদে। মদুগীসু মথক্তা মদুগুম্বা থবক্তু কুইনা চৎতবা হায়বদি মতম খরা লৈরগা প্রাইভেট কম্পনি/ফর্ম অদু মথৌ তৌবা তোকখিবা নৎত্রগা মুৎখিবদগী মীয়াম্না পাম্নদে।

গভর্ণমেন্টকী থবক্তুবু মীয়াম্না পাম্নে করিনা হায়ববু থাগী তোলোপ কায়দনা ফংই, পাক্লা থবক লৌথোকপা য়াদে অমদি থবক তোক্লবসু পেন্সনগী কান্নবা ফংই। থবক তৌরিঙৈ মনুংদসু খুদোংচাবা কয়া ফংই। করিগুম্বা থবক তৌরিঙৈ মনুংদা মশা লৈখিদবা য়াওরবসু মচা-মশুশিংনা থবক তৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক্কী অহাঙবা ফমদি মশীং য়াম্না য়াম্বা নত্তে। লমদম অসিদা মহৈ তম্লিবশিংনা মহৈ তম্বা লোইরবা মতুংদা থবক তৌগদবগী তান্নরিবসি গভর্ণমেন্টকী থবক অসিবুনি। অদুবু থবক্কী অহাঙবা ফম অসিগা থবক তান্নরিবা মীগী মশীংগা য়েংনরুবা মতমদদি মীশিংনা য়াম্না হেল্লি। শম্না হায়রবদা য়ামখ্রবা মীওইশিং অসিগী মরক্তগী গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক ফংখিবদি মীওই খরখক্তনি। মীওই শরুক চাম্মগী মনুংদা শরুক য়াঙ্খ্রে ফানা থবক ফংবা নত্তে। শম্না লেমহৌরিবা মীওইনা হেন্না মশীং য়াম্মী। থবক ফংদবা হায়বদি গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক ফংদবা মীগী মশীংনা য়াম্না হেনখ্রে। অদু ওইরবদি মহৈ য়াম্না ৱাংনা তম্লগা তোলোপ চাবা থবক তৌবা ফংদ্রবদি করি কান্নগনি হায়বা ৱা লাক্লে। চহী কয়া মতম শাংনা, শেল চংনা, হকচাং ৱানা মহৈ তম্লুবগী করি কান্নবা হায়বা শেরান্নবা ৱাখল খনবা হৌরকই। কন্না হোৎনদুনা মহৈ তম্লুরগা অসুম্না তৌগদবগী ওইরবদি অতৈ থবক কয়া তৌরম্বনা ফৈ নৎত্রগা মহৈ তম্লমদবনা ফৈ হায়বা ৱাফম অমা খুন্নাই অসিদা লৌনগনবা লায়না অমদৌনা শন্দোরকপা হৌরকই। গভর্ণমেন্টকী অহাঙবা থবক্কী ফম্না মশীং য়াম্না য়ামদবা অদুগা থবক চংগদবা মীগী মশীংনা য়াম্না হেনবনা মুন্নবগী মওংদা লৈরকপসিদা শেঙ্গা-থুমজাগী থাক ৱাংবা য়াম্না হেনগৎহল্লি। থবক লৈবনি, থবক য়োনবনি লায়রবা মীওইদসু অদুগা ইনাকখুনবা মীওইদসু। লায়রবা মীনদি লৈদ্রে। হৌজিক তৌনরিবসি ইনাকখুনবা মীওইশিংগী মরক্তা থবক লৈনবসি অঙম-অঙম্বা শেল-থুম পুথোক্লদুনা।

থবক লৌবদা শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী ৱাফমসিদি তৌরোইদবা মীওইশিংনা তৌদুনা লৈরবনিনা করিসু হায়নীংঙাই লৈত্রে। ভোট থাদবা মীয়ামদা শেন্থোক লৈবা থবক পীবা ঙম্বসু গভর্ণমেন্টননি অদুগা থবক লৌবদা অচান-মীরাই নাইবসু গভর্ণমেন্টনা হৌদোরকপনি। তোলোপ চাবা থবক্কী অহাঙবা ফম কয়া শেমদুনা পুথোরকপসু গভর্ণমেন্টনা ওইবনিনা অতৈ শেন্থোক লৈবা প্রাইভেটকী থবক কয়া পুথোকপা ঙম্নবা থৌশিল কয়া পুথোকপদি য়াদবরা? ইশম শম্না হায়রবদা অতৈ ষ্টেট কয়াদা গভর্ণমেন্টকী তোলোপ চাবা থবক নত্তবা প্রাইভেটকী থবক কয়া অমা তৌবা ফংনরি। মখোয় অদু গভর্ণমেন্টকী থবক ফংদ্রগসু প্রাইভেটকী থবক তৌবা ফংনরি। শেন্থোক লৈরে। ইমুং-মনুং থাকপা ঙম্লে। চহী কয়া ৱানা মহৈ তম্লুরগা করি কান্নগদৌরিবনো হায়বা খুন্নাইদা তায়োন্নবা ৱা কয়া শন্দোরকপদু খরমখৈদি থিংবা ঙম্মী। প্রাইভেটকী ওইরবসু শেন্থোক লৈরবনিনা লৈবাক্কী/খুন্নাইগী মাঙগদবা ক্রাইম কয়া তৌরক্লবগী লম্বী অদুমদি লৈত্রে। মণিপুরদি প্রাইভেট কম্পনিগী থবক হেক হায়রুবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা হায়রক্কদবা ৱাসি অতৈ নত্তে মণিপুরদা কম্পনি লীংনবগী রিছোর্স লৈতে, মপানগী কম্পনিশিং লাকপীয়ু য়াদে হায়বসিনি। মসিনা মরম ওইরগা প্রাসভেটকী থবক কয়া অমা পীবা ঙমদবনি হায়বা ৱাফমসি হৌখিবা চহী কয়াদগী পানখিবা গভর্ণমেন্টশিংনা হায়দুনা লাক্লবা ৱাফমনি। মণিপুরসি রছোর্স শুকলৈ লৈত্রবা লম হায়বদুরা? মণিপুর হায়বা লমসিগী মরমদা মুন্না খঙদবদগী হায়বরা? নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা থায়না মণিপুরগী মীয়ামসি করি চাদুনা, করি শেৎতুনা হিংলম্মী। মণিপুরদা রিছোর্স লৈতনদি থায়না মীপাল তাংদনা হিংবদা চংবা পোৎ চৈ কয়া পুথোক্তুনা হিংবা য়ারমগদ্রা?

ৱাহং ময়াম অসিগা ঙসি মহৈ তম্লিবা অদুগা মহৈ তম্বা লোইরগা তোলোপ চাবা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগা মরী লৈনবরা হায়বদু য়েংবা য়াই। মসিগী অৱাবা চৈথেং ফংগদৌরিবসিদি হৌজিক মহৈ তম্লিবা অমদি মহৈ তম্বা লোইরবা অদুগা থবক তৌবগী চহীদি লান্থোক্ত্রিবা মীওইশিংদনি। মখোয়গী ইমুং মনুংগসু মরী লৈনৈ, খুন্নাইগসু মরী লৈনৈ, গভর্ণমেন্টকসু মরী লৈনৈ। লমদম অসি মরা তপ্না ঈংনা চিক্লা ৱাথোক লান্থোক থোক্তবা হায়বদুগসু মরী লৈনৈ। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্টনা তৌবা ঙাইদুনা লৈবা মতম নৎত্রে। মখোয়দি তৌরক্লরোই। মমাঙদা লৈখিবা গভর্ণমেন্টশিংসু তৌদনা অদুমক মখোয়গী মতম লোইখ্রে। লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিসু তৌবগী মমি তমদ্রি। মসিনা তাকপদি মণিপুরদা লৈবা গভর্ণমেন্টশিংনা মখোয় তশেংনা খঙদ্রে হায়না লৌবা য়ারে। খঙলগা তৌদবা হায়বদু নৎত্রে। মীওইবনা শীজিন্নবদা চংবা পোৎ চৈ কয়া পুথোক্তুনা মণিপুর য়ৌনা ফংহল্লিবা পোথোক পুথোকপা অচৌবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা ফনা য়াম্না মখোয় চৎলে, উরে, খঙলে অদুবু মখোয়না করম্না মীয়ামদা থবক পীবা য়াবা থৌশিল, থৌরাং করম্না লৌখৎলি হায়বদু মণিপুর গভর্ণমেন্টশিংনা উবা ঙমখিদে অমদি ঙমদ্রি। মদুগী মহুৎ মখোয়দা ভোট থাদরিবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা লাউরি থবক শূনীংদে, ৱার্ক কলচর লৈসি, থবক শূবগী হৈনীংবা লৈসি, মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনগদবনি, গভর্ণমেন্টকী থবকখক্তমক তান্নদুনা লৈবা য়ারোই হায়রি। য়াম্না শাথিনা তায়োন্নবনি। মসিনা তাকপদি মখোয় তশেংনা খঙদ্রে হায়না লৌবদা লানদ্রে।

হৌজিক্তি মহৈরোয়শিংগী লূপশিং, সেনিয়র সিটিজনগী লূপশিং, নুপী লূপশিং অমদি খুন্নাইগীদমক লৈরিবা লূপশিংনা থবক পীনবা থৌশিল-থৌরাং অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌরিবশিংদু য়েংলগা তৌ হায়দুনা হায়বা তারে। অতৈ ষ্টেটশিংদা প্রাইভেটকী থবক য়াম্না ফংই, গভর্ণমেন্টকী থবক তান্নদে হায়রিবদু মীওইবনা শীজিন্ননবা পোৎ চৈ কয়া শাদুনা পুথোকপদগীনি। পোৎ চৈ শারগা পুথোক্ত্রবদি থবক পীবা (জোব ক্রিএসন) হায়বদু ঙম্লোই। পোৎথোক পুথোকপগা থবক পীবগা মরী লৈনৈ। পোথোক হায়বসি মীওইবগী খূৎ, খোঙ অমদি ব্রেননা শাগদৌরিবনি। পোৎতু শাবদা মী কয়া অমা থবক শূরনি। থবক শূরবদি খূৎশুমল ফংগনি। ইমুং-মনুং নুংঙাইগনি। গভর্ণমেন্টসু পোৎ চৈদগী টেক্স খোমগৎপা ঙমগনি। মীরমদা শেল চৎখিরোই। মণিপুরদা মীতোপ চংলকপগী চাং হন্থবা ঙমগনি। মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা মহৈরোয়শিংনা চারিবা চিঙ্গাক, শেৎলিবা ফি অতৈ পোৎশিং মণিপুরদা পুথোকপা য়াবরা/য়াদবরা হায়বদু খঙদোক্লগা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পোথোক পুথোক্লবা তক্লবা তাই। লমদমসিদা লৈজরিবা রিছোর্স অসিগী মতুংইন্না পোথোক য়াম্না পুথোকপা য়াই। মীনা থবক শূরগা পোৎ পুথোক্কদবনিনা জোব ক্রিএসন য়াম্না লৈগনি। তোলোপ চাবা থবক ফংহনবা ঙমগনি। পোথোক পুথোক্লবদি মণিপুরদা প্রাইভেটকী ফেক্টরি মশানা অদুমক থোক্লক্কনি, গভর্ণমেন্টনা অমুক লাউদ্রবসু। অদুবু পোথোক পুথোকপদি গভর্ণমেন্টনা তৌদ্রবদি ঙমগদবা নত্তে। মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী থবক ফংনবা খোঙজং চংশিঞ্জবা তারে। মসি চাক্লাম খোঙচৎকী মনুং চলহনসি। মহৈরোয় লূপশিংনা হৌবা ঈহৌশিংগী মনুংদা মসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি হায়নীংই। থবক ফংবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগীতা কান্নবা নত্তনা লৈবাক্কী ওইনসু কান্নে। সেনিয়র সিটিজনশিং অমদি নুপী লূপশিংসু ঈহৌ অসিদা য়াওশিনবা চুম্মী। মরমদি হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসি মখোয়গী নুংশিরবা মচা-মশুশিং ঙাক্তনি। মণিপুরদা লৈরিবা রিছোর্সশিং অসিনা করি করি পোথোক পুথোকপা ঙমগনি হায়বদু মহৈরোয়, সেনিয়র সিটিজন অমদি নুপী লূপশিংনা খঙদোকপা মথৌ তারে। পোৎথোক পুথোক্লবদি ইনাকখুনবা লম ওইরনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পোথোক য়াম্না পুথোক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অতৈ ষ্টেটশিংসু মশাগী রিছোর্সকী মতুংইন্না পোৎথোক পুথোক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎনরি। মণিপুরগীসু মশাগী লৈজরিবা রিছোর্সশিংগী মতুংইন্না পোথোক পুথোক্লবা হোৎনফম থোকই। অদুবু উবা ফংদ্রি। হোৎনরম্বদি য়াই। ●

# লৌমীশিংবু লাইথোক্লা লৌরিবসি চুম্লম্লোই

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

"লৌ উবা নচিঞ্জাক, নচা পোকচবা নরন্নাই' - ফনা ওইদুনসু, কুমগী কুমচৎনা নোংজুগী চাং ৱাৎতুনা লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াদবদা তশেংনা অৱা পোৎলুম কোকথোংনরিবসি শুপ্পগী লৌমী কাঙলূপসি খক্তনি। অতৈ হায় শাবনি হকথেংননা ৱাবীবা কনাসু য়াওবপোৎ নত্তে। ইমুং অমনা ফনা ঈং-তপ্পা অমসুং পাংদিং মান্ননা লৈমিন্নবা ইমুং ওইদুনসু শুপ্পগী চাজেনবী মমাদু খক্তনা অপিকপা মচাদুগী মরমদা হীরম খুদিংমক্তা হকথেংননা মৈচেন্নবা মীশক হায়বদু ওই। অপিকপা অঙাং অমনা খঙহৌদনা মাঙ্গোলগী দারিদগী ওন্থবদা, লৈমিন্নরিবা ইমুংদুগী মীওই খুদিংমক্লা শুপ্পগী অঙাংদুবু পোল্লিবী মমাদু খক্তদা ওনশিন্দুনা চৈ থাংবগী চৎনবীসি লমদমসিদা চৎনৈ। মালেমসিগী মনুংদা মমা ওইবী কনানা অপিকপা মচাবু মাঙ্গোলগী দারীদগী ওন্থহন্নীংবা য়াওরমগদগে? অমরোমদা, মপা ওইরো, মপু ওইরো মখোয়গীদি শরুক য়াওদ্রবরা, মচা নৎত্রবরা, মশু নৎত্রবরা? মচানা মাঙ্গোলগী দারীদগী ওন্থদুনা খংকপ কপ্লকপদা পাখৎপগা লোয়ননা নুংশিৎকী মমাঙ থাদুনা চেনশিল্লগা মচাবু পমখৎচরিবী অমদি মচাবু নানবীদুনা থেম্বা লাক্লজরিবী মমাদুদা অমুক্কসু ইমুংদুগী মীওই খুদিংমক্লা চৈশিনবীবগী থৌদৌসি অচুম্বা থৌদো অমা নত্তে। অদুবু, ইরমদমসিগীদি থৌদৌসি ঙসি ফাওবদা চৎনবী অমা ওইনা অদুম্মক চৎনদুনা লাক্লি। লৌমীনা লৌ উদবদা হকথেংননা চরা হেনগদৌরিবসি লৌমীদুগী ইমুং-মনুংনি, লৌমী নত্তবা মীয়ামসু ৱারম্লোই হায়'বুদি নত্তে, অদুবু হকথেংননা ৱারিবদি শুপ্পগী লৌমী মথন্তনি। অদুগা, অপিকপা মচাগীদমক মতম লৈবা খিবিক্তা খ্বাইদগী হেন্না ৱাজরিবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মীৱাসু তাজরিবসি ইমুং খুদিংমক্কী শুপ্পগী মচা পোকচরুবী মমাদু খক্তনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফমশিংসি মরুওইনা কুমসি চহীসি মণিপুরদা নোংজু পন্থাগী মতমদা নোং নিংথি-নুংঙাইনা তাখিদবদগী লৌবুক্তা ঈশিং তুংউ হায়বা য়াদদুনা হৌজিক (ওগষ্ট থা লোইরক্লবা মতম) সি ফাওবদা লৌ পানবা য়াদ্রবা, মণিপুরগী মরাইবক থীরবা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী ফীভমসি য়েংলগা হায়বনি। লৌমীশিংনা লৌ উদ্রবদি করি চাগনি? চহী খুদিংগী লৌ উরগা, মদুদগী ফংলকপা ফৌশিংদুনা লৌমীশিংগী ইমুং-মনুং থাক্লিবনি অমসুং মচা-মশুশিংসু মহৈ তমহন্নরিবনি। ফীভমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মরাইবক থীরবা মণিপুরগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী লৌবুক্কীদমক তঙাইফদনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং খরদংদুদি ঙম্নবা মতেং পাংবীবা চুমগদ্রা খল্লি। লৈঙাক্কী হৌনবী মতম লৈবা খিবিক্তা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা ঙম্না-ঙম্নবা, ফজ-ফজবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং ঙাক্তা শীজিন্নদুনা চানবা মরম ঙাক্তা পরেং লেংশিন্দুনা, থবক ওইনা পাঙথোকপদা য়াদবা নৎত্রগা ঙমদবগী ৱারীশিং খক্তা শাংনা-শাংনা লীদুনা লেকচর ওইনা পীবদুদি ঙসিগী মকোক্তা মখূৎ হাপ্লবা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংসিনা খক পাম্লরোই। লৌমীশিংনা পাম্লিবদি, তৌদবা য়াদ্রে হায়দুনা করি-করিনো, কোককা-কোককা তৌদুনা, লৌমীশিংনা মথৌ তারিবশিংদু মতম লৈত্রবনিনা খুদক-খুদক্তা ঙম্নবা তেংবাঙবীবদু খকনি। ঈকং থোক্লে লাউথোক্লসি হায়রসু আর আর শুদে, লাউথোকপা য়াদে হেক্তা হায়, তঙাইফদনা চুম্নগী ঈশিং চিংনবা পম্পশিং খরদংদা ওইরসু মরাং কায়না য়েন্থোকপীয়ু হায়বদসু লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোইশঙগী মায়কৈদগী হান্নগী পম্পশিং লৈত্রে, নৌনা লৈবা তারবদি লৈঙাক্কী ওইবা ওফিসল প্রোসিদ্যুরশিং চুম্না চথ-রগা লৈদবা য়ারোই খুল্লকপা, থৌদৌশিংসি লৌমীশিংগী মফমদা পেন্নীংঙাই ওইরমগনি থাজদে। খুদক-খুদক্তা শীজিন্নগদবা পোৎ চৈশিংবু লৈঙাক্কী অতাবী প্রোসিদ্যুর ঙাইদুনা লৈবা হায়বসি লৌমীশিংগী মতম নাইবা, টাইম লিমিটেসন লৈবা থৌদৌশিংদা চান্নরোই। ফীভমসি লৌউ-শিংউ লোইশঙ পায়বীরিবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমদি লৌউ-শিংউ লোইশঙগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা হান্না খঙবীফম থোকপ্রা খল্লি। অচৌবা চাংদা ঈশিং সপ্লাই তৌবা ঙম্বা লৈঙাক্কী অচৌবা পম্পশিং খরা হান্না ইস্যু তৌদুনা থম্বশিংদুসু করিসু নত্তবদা, মতম চানা য়েংশিনবীহৌদবা অমদি চেকশিন্না শেন্নবীহৌদবদগী ইঞ্জিনগী ট্রান্সফোর্মর থিবা ফংদে হায়দুনা হন্দক্কী চিরবা তানফমসিদা পাক-চাউরবা লৌফম কয়ামরুম মথং-মথং ঈশিং পীবা ঙমগদবা ইঞ্জিনশিং শীজিন্নদনা অরেম্বদা তাহল্লি। তশেং-তশেংনা হায়রবদা, লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা লৌউ-শিংউ লোইশঙগা মরী লৈনরিবা লৈঙাকসিগী মেছিন্নরিশিংসি লৌমীশিংগী থবক-থৌদাশিংসিগা য়েংনবদা অসুক্কী মতিক চান্নদবা মওং হায়বদু ওইরে। করি অমুক হায়গনি, ইচম-চম্না লৌমীশিংদা হার য়েন্থোক্লবগী থৌরাং ফাওবদা লৈবাক কুম্মৈ নৎত্রগা লৈবাক ৱাথোক অমদি হেক্তা ওইহল্লি। হৌজিকপুদি লমদমসিদা হারগী চন্নফমসু অসুক্কী মতিক হন্থরগনি। ষ্টেটসিগী লৌ উগদবা লৌফমশিং অয়াম্বদা তঙ্খায় অমরোমদগী হেন্না লৌ পান্নদ্রবনিনা হারগীদমক লৌমীশিংনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা ক্যু লেপ্পবা হায়বদু উফম থোকত্রে। চান্নদবা হায়বসি চান্নদবনি। লমদমসিগী লৌউ-শিংউ লোইশঙসি মতম মতমগী ওইনা লৌমীশিংগী থবক থৌদাশংগা চানবা মওংগী ৱাখল্লোনশিং চেনবা অমসুং মপা চাননা থৌরাংশিং শিনবা-লাঙবা হৈবা হায়বদু থোকফাত্তবা মাল্লি। য়ামদ্রবদা, মণিপুরগী লৌউ-শিংউগী লোইশঙসি লৌমীশিংগী ঈহুল খঙবা অমদি মতম-মতমগী ওইরক-ওইরকপা ইস্যুশিংদা চপ-চানা থৌশিল-থৌরাং হৈবা লোইশঙ অমদি ওইফম থোকপনি।

লমদমসিদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী ওইরিবা মীওই খুদিংমকসু, লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী ওইবা হায়বসি তরাইনা লৌবা য়াবা শিনফম নত্তে হায়বসি খক কাউহন্নীংদে। ঐ-ঐনা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্টতুগী তৌফম থোকপশিংদু ইশা-ইশানা খজিক্তা ওইরবসু খঙজিন্নবা হোৎনবীফম থোকই। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবনি হায়দুনা, ইশাগী পির্টমেন্টসিনা লৈবাকসিগীদমক করি থৌদাং লৌরিবগে অমসুং করম্বা থবক থৌদাশিংনো ঐখোয়না তৌগদৌরিবসি হায়বদু মশক খঙদনা, মীয়ামসু কানৈ, ঐসু থবক কারিবনি হায়দুনা থাগী ফংফম থোকপা ইশাগী খূৎশূমলদুখক্কী খল্লগা চুমদ্রিংনা থবক কাবা চুম্লোই। মতাংসিদা, মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়ামুকসু লৈরিবনি। শম্না হায়রবদা, মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট কয়ামুক্তা ফম্ফম চৌক্রিশিং লৈতবা, টেবলশিং থাদবা, গ্রেদ ফোর ইমপ্লোয়ীসু নত্তবা, গ্রেদ থর্দকী ইমপ্লোয়ীশিং (ফিল্ডদা থবক শূগদবা কাঙবুশিংসু নত্তবা) কয়ামরুম অমসু লৈ হায়বসি তানরি। মসিমক্তি লৈঙাক্কী অশোনবনি। থৌদৌশিংসিনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদা মাগী-মাগী দিপার্টমেন্টদুনা তৌগদবা থবক-থৌদাশিংগী মরমদা থিজিল্লুবদি লায়রদুনা, তৌগদবা মথৌসি করিনো হায়বা ফাওবা খঙহনদ্রে। ফীভমসিদবু মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্লিংবা, মথৌদা পূক্লিং চঙবা, মথৌনা-মরিংজেল উখোক্তুনা লৈঙাক্কী থবক তৌগে খনবা ইমপ্লোয়ীশিংগী মশীং কয়া য়াম্না থোক্লক্কদগে? অদুবু, ফীভমশিংসি ফনা ওইরফাওদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী অসিগুম্বা অশোনবশিংসিদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনগে খনবদি লানগনি। হীরমসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা মশাগী থাগী খূৎশুমল খক্তবু কায়দনা ফংলগা লোইরে খন্দুনা নুমিৎ মশীংদা নত্তবা, থারোমদা ওইনা লৈঙাক্কী থবক কাদবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী কয়ামরুম অমসু লৈ হায়বগী ৱাফমশিং মীয়াম্না ঙাঙনরি। মখোয়গুম্বশিংদুবু লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌদবা হায়বসিসু লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বা অমনি। থৌদৌশিংসিনা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং লৈনা-লৈনা দিপার্টমেন্টশিংদুগা মরী লৈনবা লৈবাক্কী থবক-থৌরমশিং পাঙথোকপদা, লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমা লৈ হায়বগী কান্নবশিং অমত্তা ফংলক্তবসু য়াই। ফীভমশিংসি, মণিপুর লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিংবু মথৌ নিংথিনা তৌরিব্রা নৎত্রগা তৌদ্রবরা হায়বদু য়েংশিন-খোৎচিনবগী থবকশিং মতম চানা চথদবদগী ওইরকপনি। ফীভমশিংসিদা, মণিপুর লৈঙাক্লা ঐগী-মীগী হায়বা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লগা, মীচং-শঙ্গন নাইদবা মওংদা, হীরমসিদা অৱাম্বা মীৎয়েংশিং চঙহন্নীংই। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু, হন্দক্কী চিংজীন (লৌউ-পন্থা) থাদা নোং মরাং কায়না তাদবদগী মণিপুরগী লৌবুকশিংদা ঈশিং অমা ফাওবা তুংউ য়াদবগী থৌদৌদা, মণিপুরগী লৌমী মীয়াম্না লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউগী লোইশঙ অমা লৈরি হায়বগী চাউথোকচবা থোয়দোক্লা ফংনখিদবগুম তৌবসিমদি খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফাওই। মতুং লাক্কদবা চহীশিংদদি লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোইশঙদা ঈশিং চিংনবা পম্প সেট মরাং কায়না লৈবা অমসুং খুদক-খুদক্কী ওইবা ইমর্জেন্সি মিটকী শেনফমশিংসু ৱাত্তনা থম্বা ঙমসনু।

ইরমদমসিদা লৌমীশিংগী ইকায়খুম্নবসি অসুক্কী মতিক অনেম্বা থাক্তা উৎপীরি। শেংনা হায়রদা, থৌদৌসি হিংবগী ৱাহন্থোক খঙদবা মীওইশিং খক্তনা তৌগদবা থৌদৌনি। মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বসি চাক চারগা হিংলিবনি হায়বসি পূম্নমক্লা কাউনরি। শুপ্পগী অচাউরম খক্তবু পাম্বা ইরমদমগী মীওইশিংসিনা লমদমসিগী পুকচাক পুথোক্লিবা লৌমীশিংবু শকখঙবা চুমগনি। লৌমীশিংবু অনেম্বা থাক্তা থবক শূবা মীওইশিং ওইনা উবা লানগনি। হিংননবগীদমক চিঞ্জাক পুথোক্লিবা মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা হায়বসিদগী হেন্না চুম্বা থৌদাং অমমুক লৈররোই। লমদমসিগী লুচিংবশিংনা মরৈ অনী লোংদুনা লৌমীশিংবু মপান্থোংদা অমা ঙাঙলগা, মনুংদনা অমা লৌবগী থৌদৌসি থাদোকহন্নীংস। লৌমীশিংগীদমক য়াইফনবা খরদি তৌহন্নীংই। ●